# হুইয়েন লানপাউ


HUEIYEN LANPAO

The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)








Vol. 49, Issue No. 159 | লৈবাকপোকপা, লাংবনগী ১৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, September 09, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## নরেন্দ্র মোদি খোঙচৎকী শেম-শাবা লোইশিল্লক্লে ঙসি গভর্ণরনা চুড়াচান্দপুরদা মখা তানা য়েংশিল্লুগদৌরি



স্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এন ঈ) সর্কলগী চীফ জেনরেল মেনেজর প্রভাস বোসনা গভর্ণরগা উন্নবা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৩দগী ১৪ ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মিজোরাম অমসুং অসামদা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা মথং-মথং লাক্কদবা খোঙচৎকী মনুং চন্না থা অসিগী ১৩দা মিজোরামদা হান্না থুংদুনা অনৌবা রেলৱে লাইন অমা শঙ্গাবা য়াওনা উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরমশিং পাঙথোক্লল্লবা মতুংদা মণিপুরদসু পুং খরা লাক্লল্লবা মতুংদা অসামদা অমুক চৎখিগদৌরিবা খোঙচৎকী মনুং চন্না মহাক্না মণিপুরদা লাক্লগা পাঙথোক্লমগদবা থৌরমশিংগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না শেম শাবা লোইশিল্লক্লে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মিজোরামগী আইজোলদগী ইম্ফাল তম্না পাইরক্লগা কংলাদা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙলমগনি। অদুগা কংলাদগী এয়রপোর্টতা অমুক হল্লবা মতুংদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা চৎতুনা মফম অদুগী পীস গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী মীফমদসু ৱা ঙাঙলমগনি হায়বগী থৌরাংশিং পায়খৎলক্লিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর

...মখা লমায় ৩ কলম ২

মথংগী মণিপুরগী এসেমব্লি ইলেক্সন নকশিল্লকপদা কোংগ্রেসতি অথোম্বা হৌরে

## মমাঙগী ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপশিং ওইখিবা এক্স-এম এল এ ২ য়াওনা মীওই ৩ কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে

ঐগী মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না বি জে পি থাদোক্লল্লগা কোংগ্রেসতা য়াওবনি : ৱাই সুরচন্দ্র

ঐখোয় ময়াম খূৎশম্নদুনা বি জে পি মরূ ফংনা মূখৎনবা হোৎনরসি : লাইশ্রম রাধাকিশোর



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :**

কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চতা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা ৩৭-ককচীং এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা আই এ এস রিটাইয়র্দ য়েঙ্খোম সুরচন্দ্র অমসুং ২৫-ওইনাম এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা লাইশ্রম রাধাকিশোর য়াওনা ২৮-থাঙ্গ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীয়াম্না শকখঙনরবা ইন্টরনেশনল ওন্ত্রপ্রেন্যুওর, ফাউন্দরঅমসুং ঈ এল ভি ঈ ঈ জি ও সর্কুইটস প্রাইভেট লিমিটেদগী মেনেজিং দিরেক্টরসু ওইরিবা

...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### কুমজা ২০২৪গী জুন-জুলাইদা পি দব্লিয়ু দি কমপ্লেক্স ঈশিং থুমখিব্রা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):**

ইম্ফালগী খুয়াথোংদা ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট অহুমগী মরু ওইবা লোয়শঙশিং পূন্না লৈরবসু মীয়াম্না ‘পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট’ (পি দব্লিয়ু দি) কমপ্লেক্স হায়দুনা খঙনরক্লিবা লোয়শঙ অসিগী কমপ্লেক্স অসি মমাঙগী কুমজা ২০২৪গী জুন-জুলাইদা স্টেট অসিগী মফম খরদা মায়োক্লখিবা ঈশিং-ঈচাওগী মনুং চন্দুনা কমপ্লেক্স অসিসু ঈশিং থুমখিব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

ৱাহং অসি কমপ্লেক্স অসিদা পূন্না লৈমিন্নরিবা ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট অমসুং পি ঐচ ঈ দিনচিংবা য়াওনা ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট অহুম অসিদা মীয়ামগী মরক্তগী মরী লৈনবা অমসুং অরুবা দোক্যুমেন্টনচিংবগী খোঙ্গুল লীরুবদা অয়াম্বা মতমদা ঈশিং থুমজিনবনা মরম ওইরদুনা দোক্যুমেন্টশিং অদু অমাঙ-অতা থোকখ্রে হায়বগী পাউখুম

...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মোদিগী খোঙচৎ তরাম্না ওকই অদুবু কান্থোক্লম্বা নুংঙাইতবগী মওংদা লাক্কদৌরিবা খোঙচৎ অসিনা করি অহোংববু পুরক্কদৌরিবগে : ইবোবী

‘রাজ ভবনবু বি জে পিগী ওফিস ওন্থোক্লোইদবনি’



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৩দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা লাক্কনি হায়রিবসি তরাম্না ওকই অদুবু মিজোরাম অমদি অসামদা লাকপদা কান্থোক্লম্বা নুংঙাইতবগী মওংদা ওইনা মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা খোঙচৎ অসিনদি হৌজিক ওইরিবা স্টেট অসিগী ফীভমদা করি অহোংববু পুরক্কদৌরিবনো হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বাবুপড়াদা লৈবা মহাক্কী ক্বার্টরদা কোংগ্রেস লুচিংবশিংগা পূন্না পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, কোংগ্রেসকী ওইনদি নেশনল অমদি স্টেটকী থাক অনীমক্তা চহী অনী হেনবগী মমাঙদগী মণিপুরদা থোরক্লিবা হাৎন-শুনবগী ঈরাং অসি হেক হৌরকপদগী প্রাইম মিনিষ্টর লাক্ত্রিবা করিগীনো হায়বা ৱাহং হংবগা লোয়ননা মহাকলাকপীনবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। হৌজিক মহাক লাক্লগনি হায়রিবসি ঐখোয়না ৱেলকম তৌই অদুবু লমদমসিদা থোক্লিবা চহী অনী হেল্লবা

...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মোদিগী খোঙচৎ : এম এল এ খরনা লিনসু শিনবা চৈশুসু তেক্তনবা হোৎনরব্রা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :**

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ১৩দা লাক্কনি হায়বদগী ঙরাং গভর্ণরনা কৌদুনা রাজ ভবনদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিরেন, স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রত অমসুং এম এল এ ১০ হেনবগা উনদুনা ৱারী শানখিবা অদু গুৱাহাটিদা বেজ তৌবা পাউগী এজেন্সী অমনদি প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ মনুংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা বি জে পিগী এম এল এশিংনা থৌদাং লৌগদবনি হায়না গভর্ণরনা খঙহল্লক্লে হায়বা ৱাফম পাউগী এজেন্সী অসিদা মমিং মথা তাকথোক্লিংদবা এম এল এ অমনা ফোঙদোরক্লে হায়বগী রিপোর্ট ঙসি নুংথিল তৌরকখ্রবসু গভর্ণরগা উনখিবা এম এল এশিংগী মরক্তগী লিনসু শিনবা অমসুং চৈশুসু চেক্তনবা হোৎনবা য়াওরে হায়রি।

নূঙ অমনা উচেক অনী হাৎপগী ফীভমদা খোঙচৎসু মপূং ফাহন্নবা অমসুং লৈঙাক শেমহনবীনবসু তকশিল্লব্রা, ঙরাংসু বি জে পিগী এম এল এ ৬না গভর্ণরগা উন্নখি

এম এল এশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎপু মপূং ফাবা অমা

...মখা লমায় ৩ কলম ৪






### মৈনা চিংদুনা শিরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):**

ঙসি অয়ূক পুং ৭ লোম তারকপদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী সাইবোল খুলদগী হৌজিক্লা মরিংফাই খুলদা লৈবা মকু ঙরাংমি (৪৯) অপোকপা মকু মেচানফা কৌবা মীওই অমনা মহাক্কী মমান্নবা মোসিলফা কৌবা মীওই অমগী নৌনা শাবা য়ূম য়েংবদা নক্লনা লৈরম্বা ঐচ টি লাইনদা থেংলুবদগী ইলেক্ট্রিকনা চিংবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

### দেঙ্গি : পোজিটিভ কেস ৪৫

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):**

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দেঙ্গিগী পোজিটিভ কেস ৪৫ থেংনরে হায়না হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## চাকথোঙ গ্যাসকী দেলিভরি তৌরিবা গাড়ীশিংদা এজেন্সীগী মিং থাদ্রবদি ফাগদৌরি



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** কঞ্জুমরশিংনা চাকথোঙ গ্যাস মতম চানা ফংদে হায়না ৱাকৎলকপদগী লৈঙাক্কী সী এ এফ এন্দ পি দিগী ওফিশলশিংনা এজেন্সীশিংদা হকথেংননা চৎতুনা ইন্সপেক্সন চথবদা অশোয়বা তৌরম্বা থেংনবদগী লোয়শঙ অসিগী মায়কৈদগী এজেন্সীশিংদা চেকশিন ৱা থমখিবগা লোয়ননা চাকথোঙ গ্যাস দেলিভরি তৌবদা শীজিন্নরিবা গাড়ীশিংদা এজেন্সী অদুগী মমিং চপ চানা থাগদবনি হায়বগী ইন্সত্রক্সন পীখ্রে।

লোয়শঙ অসিগী সেক্রেটরি খেদা বর্ত্তা অমদি দিরেক্টর কে বোনোগী মীৎয়েং মখাদা লোয়শঙ অসিগী ও এস দি (পেট্রোলিয়ম, ওইল এন্দ লুব্রিকেন্টস) ঐচ বোবিনা লুচিংবা লোয়শঙ অসিগী ওফিশলশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা ঙসি শঙাকফম কৈথেলদা লৈবা মণিপুর গ্যাস সর্ভিসতা ইন্সপেক্সন চথখ্রে।

ইন্সপেক্সন অসিগা মরী লৈননা ঐচ বোবিনা পাউমীশিংদা হায়, চাকথোঙ গ্যাসকী কঞ্জুমরশিংগী মরক্তগী হৌখিবা এপ্রিল অমদি মে থাগী গ্যাস ফংদ্রি হায়বগী ৱাকৎ লাকপদগী মরু

...মখা লমায় ৩ কলম ২

## অকাম্পাৎকী আই দি পিশিংনা পি য়ু সী এলগী অরানবা রিপোর্ট মৈ থাখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী থোরকখিবা লান অসিগী মতাংদা অরানবা রিপোর্ট পুথোরকই হায়রদুনা হন্দক্তা পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবর্টিজনা পুথোরকখিবা পূন্না লমায় ৬৯২ পানবা রিপোর্টকী কোপিশিং ঙসি অকাম্পাৎকী আইদিএল গর্লস কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মোরে, চুড়াচান্দপুর অমসুং কাংপোকপীদগী লাঞ্জেল্লকপা আই দি পিশিংঅমসুং আই দি পিশিংগীদমক শেমখিবা কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ মৈতৈ ভিক্টিমস (সী ও পি এম ঈ ভি), মোরেনা মৈ থাখ্রে।

...মখা লমায় ৮ কলম ১

## অসাম দাউন টাউন য়ুনিভর্সিটিগী ১৬শুবা ফাউন্দেশন দে পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগা য়ূমথংনরিবা ষ্টেট অমসু ওইরিবা অসামদা লৈবা মহৈকোলশিংগী মনুংদা মাঙজিল থাবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরিবা অসাম দাউন টাউন য়ুনিভর্সিটিগী ১৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম মহৈকোল অসিগী কেম্পসতা লৈবা এম্ফি থিএটরদা হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি মহৈকোল অসিগী বোর্নাদি ব্লোকতা দিন ওফ ষ্টদিজ প্রোফেসর বন্দনা দত্তনা থৌরমগী ফিরাল চিংখৎপগা লোয়ননা নেশনল এন্থেম অমসুং মহৈকোল অসিগী ঈশৈ

...মখা লমায় ৩ কলম ৪

HL-B/1918/1,3,7,9,11